ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুলাই ০৬, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৭শুবা চহী, ১০৩শুবা মশীং

# তুম্নবা শিনরো হায়ব্রা

## হায়গদবা অমা হায়রো

মণিপুরগী লানসি মে ৩, ২০২৩দগী চথরকপনি। হৌজিক থা ২ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা লোইশিন্দ্রে। মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লান খামদুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবা থবকশিংদি লৌখৎলি হায়। অদুবু মীয়াম্না উরিবদি অহেনবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থাজিল্লকপগা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী হাংদোক্লবগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কুকিগী সী এস ওশিংদা আপীল তৌবদগী হেন্না অতে উদ্রে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ লাক্লম্লে, নুমিৎ হুমনি লৈরম্লে। লাঞ্জেন্নরিবা ফুরুপ অনীগী ভিক্তিমশিং, সী এস ওশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং উন্নরম্লে। তৌবা য়াবা আপীলশিং তৌরম্লে। করিমত্তা কান্নদ্রে। মহাক লৈরিঙৈদা ফাওবা লান লেপখিদে। পুং খরগী খোঙচৎতা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্মা ফাওবা লাক্লম্লে। গুৱাহাটিদা 'সু' তৌনরিবা কুকি ফুরুপকী লালহৌবশিংবু কন্ত্রোল তৌরিবা য়ু পি এফ অমসুং কে এন ওগী লুচিংবা ২/২গা উন্নখ্রে। অদুবু পূম্নমকসিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লানসি লেপহনবদি লায়রদনা খোঙজেল খরা তপথবা ফাওবা ঙমদ্রে। তৌখ্রিবা/পায়খৎখ্রিবা থবক থৌরমশিংদি লানসিগা মরী লৈনবা থবকপুদি ওই। অদুবু খুদক্তগী লান লেপহন্নবগী পাম্বৈদি নত্তে। মসিমক্না তমথীরবা লান অসি হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা চথরক্লিবনি। খুদক্তগী লান লেপহন্নবা অকনবা থবকশিং পায়খৎলম্লগবু লান অসি থা ২ হেন্দোক্না চথরকফম থোকপ্রা? মরমশিং অসিনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা ওইহল্লক্লিবা ফীভমসিদি ফুরুপ ২ তুম্নবা হাৎনরো হায়বনি হায়না লৌরগনি। হোৎনদে হায়বা নত্তে, হোৎনৈ অদুবু লানসিদদি করিমত্তা কান্নদ্রে হায়বনি। লান লেপহনবা ঙম্লোইদবা থবক্তি ১০০ রক হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরবসু কান্নদে হায়বনি।

অদুনা হৌজিক্তি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক অনীনা হায়গদবা অমা হায়রো। মণিপুরগী মীয়াম্বু নুংশি, মীয়ামগীদমক লৈরিবনি হায়রগা লানসিগী মতাংদনা নচিন ফোৎচিল্লগা লৈবদৌনা তৌবদু মখা শাংথরক্লনু। কুকি ফুরুপকী মীওইশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তগী মচেৎ তারগা তোঙানবা মখোয়গী এদমিনিষ্ট্রেসন অমা পীয়ু হায়রক্লিবসি পীগদৌরিব্রা/পীরোইদৌরিব্রা? পীগনি হায়রসু পীরোই হায়রবসু নাখৈ শেংবা'মা হায়রো। মণিপুরগী ঙমখৈদি কায়হল্লোই হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রিবনিনা ঙমখৈদি কায়হন্দনা মণিপুর মনুংদা তোঙানবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লদবা ওইরবসু ফোংনা হায়রো। মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী চপ চাবা ফিরেপ্তু মীয়াম্না খঙলগদি মণিপুরগীদমক মীয়াম্না লেপনীংবা খোঙফম অমদা লেপচখ্রসনু। মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইবা পাম্বা মীওইশিংগী নোংমৈ মতোনদা মখূৎ থাঙ্গৎলগা থবাক পুথোক্কে হায়রবসু পুথোকখ্রসনু। মখোয়না পায়বা থাঙপাক ময়াদা মঙকশিং ইনশিল্লগে হায়রবসু ইনশিনখ্রসনু। মদু মণিপুরগী মীয়াম থোইদোক হেন্দোক্না য়েলহৌমী মীতৈশিংগী ফিরেপ ওইজরসনু। মসি নৎত্রগনা মহৌশাগী থৱায় ফাওবা থাদোকপা পাম্মুদনা মণিপুরগী অপূনবা অমসুং ঙমখৈগী শক্তম ঙাক্লকখিবগী 'ঈ' দু মখা তানা চেন্দুনা মবুকচেল শেপ্পা, হিংচা-য়াইতম্বগী থৌওংশিং চথরকপা মীওইশিং তুম্না হাৎলগেসু হাৎলসনু। অদুবু অশেংবা অমদি হায়রো। মসিদি নত্তদনা লান খাম্নবা থবকশিং লৌখৎলি/পায়খৎলিদি হায়বা, তৌসু তৌবা, লাননা লেপ্পগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী কনশিল্লকপা, মণিপুর শিনবা থুংনা ঈগী লৌখোং চেল্লকপগী ফীভমসিদি লৈঙাক লৈবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়বনি। মরম অসিনা লানসি খুদক্তা লেপহন্নবা থবকশিংদু নবুকচেল শেপ্তুনা, য়োংলৈ মেলৈ নাইদনা পন্থদনা পাঙথোরকউ। থবকশিংদু খঙদ্রগা নমিত্তুদা খুদোম্বী থিল্লগা তাক্লক্কে। থবক্তু তৌদ্রবদি লান শোক্নরিবা মশেল তুম্নবা শিনরগনি হায়বনি।

# ꯇꯨꯝꯅꯕ ꯁꯤꯟꯔꯣ ꯍꯥꯏꯔꯕ

## ꯍꯥꯏꯒꯗꯕ ꯑꯃꯥ ꯍꯥꯏꯔꯣ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯒꯤ ꯆꯊꯔꯀꯄꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯊꯥ ꯲ ꯍꯦꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅꯥ ꯂꯥꯟ ꯈꯥꯝꯗꯨꯅꯥ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯏꯡ-ꯇꯞꯄꯥ ꯐꯤꯚꯃꯗꯥ ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡꯗꯤ ꯂꯧꯈꯠꯂꯤ ꯍꯥꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯎꯔꯤꯕꯗꯤ ꯑꯍꯦꯅꯕ ꯁꯦꯟꯠꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯁꯁꯤꯡ ꯊꯥꯖꯤꯜꯂꯀꯄꯒꯥ ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯗꯤꯃꯥꯄꯨꯔ ꯂꯝꯕꯤ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯂꯕꯒꯤ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍꯅꯥ ꯀꯨꯀꯤꯒꯤ ꯁꯤ ꯑꯦꯁ ꯑꯣꯁꯤꯡꯗꯥ ꯑꯥꯄꯤꯜ ꯇꯧꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯑꯇꯦ ꯎꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍ ꯂꯥꯛꯂꯝꯂꯦ, ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯍꯨꯃꯅꯤ ꯂꯩꯔꯝꯂꯦ꯫ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯔꯤꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯚꯤꯛꯇꯤꯃꯁꯤꯡ, ꯁꯤ ꯑꯦꯁ ꯑꯣꯁꯤꯡ, ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯎꯟꯅꯔꯝꯂꯦ꯫ ꯇꯧꯕ ꯌꯥꯕ ꯑꯥꯄꯤꯜꯁꯤꯡ ꯇꯧꯔꯝꯂꯦ꯫ ꯀꯔꯤꯃꯠꯇꯥ ꯀꯥꯟꯅꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯍꯥꯛ ꯂꯩꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯂꯥꯟ ꯂꯦꯞꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯄꯨꯡ ꯈꯔꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯥ ꯑꯁꯥꯃꯒꯤ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯍꯤꯃꯟꯇ ꯕꯤꯁ꯭ꯋ ꯁꯔꯃꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯂꯥꯛꯂꯝꯂꯦ꯫ ꯒꯨꯋꯥꯍꯥꯇꯤꯗꯥ 'ꯁꯨ' ꯇꯧꯅꯔꯤꯕ ꯀꯨꯀꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯂꯥꯜꯍꯧꯕꯁꯤꯡꯕꯨ ꯀꯟꯠꯔꯣꯜ ꯇꯧꯔꯤꯕ ꯌꯨ ꯄꯤ ꯑꯦꯐ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯦ ꯑꯦꯟ ꯑꯣꯒꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕ ꯲/꯲ꯒꯥ ꯎꯟꯅꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤꯅꯥ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯂꯦꯞꯍꯟꯕꯗꯤ ꯂꯥꯏꯔꯗꯅꯥ ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ ꯈꯔꯥ ꯇꯄꯊꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯇꯧꯈ꯭ꯔꯤꯕ/ꯄꯥꯏꯈꯠꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯊꯕꯛ ꯊꯧꯔꯃꯁꯤꯡꯗꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯥ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯊꯕꯛꯄꯨꯗꯤ ꯑꯣꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯈꯨꯗꯛꯇꯒꯤ ꯂꯥꯟ ꯂꯦꯞꯍꯟꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯝꯕꯩꯗꯤ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯅꯥ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯊꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯈꯨꯗꯛꯇꯒꯤ ꯂꯥꯟ ꯂꯦꯞꯍꯟꯅꯕ ꯑꯀꯅꯕ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯄꯥꯏꯈꯠꯂꯝꯂꯒꯕꯨ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯊꯥ ꯲ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯅꯥ ꯆꯊꯔꯛꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ꯭ꯔꯥ? ꯃꯔꯃꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯛꯂꯤꯕ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯲ ꯇꯨꯝꯅꯕ ꯍꯥꯠꯅꯔꯣ ꯍꯥꯏꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯅꯥ ꯂꯧꯔꯒꯅꯤ꯫ ꯍꯣꯠꯅꯗꯦ ꯍꯥꯏꯕ ꯅꯠꯇꯦ, ꯍꯣꯠꯅꯩ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗꯗꯤ ꯀꯔꯤꯃꯠꯇꯥ ꯀꯥꯟꯅꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯏꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯟ ꯂꯦꯞꯍꯟꯕ ꯉꯝꯂꯣꯏꯗꯕ ꯊꯕꯛꯇꯤ ꯱꯰꯰ ꯔꯛ ꯍꯟꯖꯤꯟ-ꯍꯟꯖꯤꯟ ꯇꯧꯔꯕꯁꯨ ꯀꯥꯟꯅꯗꯦ ꯍꯥꯏꯕꯅꯤ꯫

ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯅꯤꯅꯥ ꯍꯥꯏꯒꯗꯕ ꯑꯃꯥ ꯍꯥꯏꯔꯣ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤ, ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤꯗꯃꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯔꯒꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯅꯥ ꯅꯆꯤꯟ ꯐꯣꯠꯆꯤꯜꯂꯒꯥ ꯂꯩꯕꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯕꯗꯨ ꯃꯈꯥ ꯁꯥꯡꯊꯔꯛꯂꯅꯨ꯫ ꯀꯨꯀꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇꯒꯤ ꯃꯆꯦꯠ ꯇꯥꯔꯒꯥ ꯇꯣꯉꯥꯅꯕ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ ꯑꯃꯥ ꯄꯤꯌꯨ ꯍꯥꯏꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯄꯤꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ/ꯄꯤꯔꯣꯏꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯄꯤꯒꯅꯤ ꯍꯥꯏꯔꯁꯨ ꯄꯤꯔꯣꯏ ꯍꯥꯏꯔꯕꯁꯨ ꯅꯥꯈꯩ ꯁꯦꯡꯕ'ꯃꯥ ꯍꯥꯏꯔꯣ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯉꯃꯈꯩꯗꯤ ꯀꯥꯏꯍꯜꯂꯣꯏ ꯍꯟꯖꯤꯟ-ꯍꯟꯖꯤꯟ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯥ ꯉꯃꯈꯩꯗꯤ ꯀꯥꯏꯍꯟꯗꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯇꯣꯉꯥꯅꯕ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯑꯃꯥ ꯂꯧꯈꯠꯂꯛꯂꯗꯕ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯐꯣꯡꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯣ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯆꯞ ꯆꯥꯕ ꯐꯤꯔꯦꯞꯇꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯉꯂꯒꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯦꯞꯅꯤꯡꯕ ꯈꯣꯡꯐꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯂꯦꯞꯆꯈ꯭ꯔꯁꯅꯨ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯃꯆꯦꯠ ꯇꯥꯅꯥ ꯊꯨꯒꯥꯏꯕ ꯄꯥꯝꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯃꯇꯣꯟꯗꯥ ꯃꯈꯨꯠ ꯊꯥꯡꯒꯠꯂꯒꯥ ꯊꯕꯥꯛ ꯄꯨꯊꯣꯛꯀꯦ ꯍꯥꯏꯔꯕꯁꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯁꯅꯨ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯥꯏꯕ ꯊꯥꯡꯄꯥꯛ ꯃꯌꯥꯗꯥ ꯃꯉꯀꯁꯤꯡ ꯏꯟꯁꯤꯜꯂꯒꯦ ꯍꯥꯏꯔꯕꯁꯨ ꯏꯟꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯁꯅꯨ꯫ ꯃꯗꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯊꯣꯏꯗꯣꯛ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯅꯥ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯒꯤ ꯐꯤꯔꯦꯞ ꯑꯣꯏꯖꯔꯁꯅꯨ꯫

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১২৯

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

ঐসি মহৌশাদগী হৌনা মরৈ য়েৎনবা য়াম্না পাম্মী। দিবেট কম্পিটিসনদসু শরুক য়াম্না য়াখি। মরুপ মপাং চুম্না সুম মরৈ য়েৎনবদা হেনজিন্নরক্তুনা খূৎ য়াওনা খৎনবগসু য়াওখ্রে। মরৈ য়েৎনবদা মীনা ঙমদনবগীদমক পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা অফাও অফাওবা মলেমগী গ্রেট মেন কয়াগী ৱারী অহল লমনশিংদগী হং হংদুনা তোয়না তারকই। ঐনা খঙনীংলিবদু হেক খঙদ্রিমখৈ হংবনি। হংমন্দনা মীনা তনবা অমা হেক য়াওই হায়দু য়ৌরকপা মীনি। তৌবৈবুদি, ঐনা মরৈ পাম্বদগী হীরম খুদিংদা খজিক খজিক খঙনবগী য়ূম্ফম থোনবা হৌখিবনি হায়বমক য়াই। মরৈ য়েৎনবা হায়সিমক্তবু খঙদনা য়েৎলুবদি য়াদবনিনা, খরা ফাওদি খঙনবা হোৎনরগা, ঐনা খঙলিবা এরিয়া অদুৱাইদুদা নৈশিল্লগা য়েৎলকপা মরৈসি অঙকপা অমনি। মসিগী হৈনবীসি ঐনা শুমাং লীলা য়াওবদসু অদুম তৌরে। শুমাং লীলা য়াওদ্রিঙৈ মতমদা ঐসি থিএটর/দ্রামাসি য়াম্না য়াওরকই। মমিং লৈরবা লমদমসিগী ওজা কয়াগী মখাদগী দ্রামা/এক্টিং তম্লকখি। থৌওইনা ওজাগী য়ূমদগা চৎতুনা হেক তমহৌবা হায়বা তারবদি লৈখিদ্রবা ওজা পুখ্রম্বম শামুসিনি হায়না থমজরি। ওজাবু ঐনা হন্না হন্না কোক নোঞ্জরি। ওজানা ঐবু তাকপীরকপনি। খঙনীংবশিংগী হংফম ওইরকখিবনি। ঐগী প্লে খরসু ওজানা নীংথিনা দিরেক্সন পীদুনা তম্বীরকখি। ওজাগী হেক মমাঙদা ইহান হানবা ওইনা দ্রামা য়াওরকখিবসি লৈবাকলৈ হায়বা ঐখোয় লৈকায়গী দ্রামা অমুক্তা য়াওজদ্রিবা ময়াম্না পুনশিল্লগা পুথোকপা দ্রামা অমদা য়াওবা হৌরকখিবনি। মদুসু য়াম্না নোক্লিংবা খুয়াওনি। ঐখোয় ক্লবকী দ্রামা চেরিটি অমা লৌবনি। চেরিটিদু শান্ননবা হোৎনবদা ষ্টেজ শাবা, খাজিনবনচিংবা তৌই। চেরিটি তৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদুদা ঐখোয় লৈকায়গী দ্রামা অদু শান্নহৌবগী ৱানি। ফাগি ফাগিদগী মদুনা ঐগী পুন্সিগী দ্রামা য়াওবগী একাউন্ট অমা হাংবা হৌখিবনি। দ্রামাদু য়াম্না ফজরম্মোই, অদুবু মদুগী নুংঙাইবা অমদি মখা তানীংবগী নিশাদুমদি ঐঙোন্দা চুদুনা লৈহৌখি।

ওজাশিংনা তম্বীখিবা কয়া অদুনা ঐনা শুমাং লীলা য়াওরকপদা ইশাগী ওইজবা লৌশিং খরদি পুদুনা লাকখ্রে। শুমাং লীলাদদি থিএটরগী ওইবা ত্রেনিং অমদি ওজাশিংনা নীংথিনা ত্রেনিং তৌদুনা তম্বীবগী থবকসি মতমদুদা কয়া লৈরমদে। ঐনা হায়জরিসিনা, য়াওরিবা আর্টিষ্টশিংগী ৱানি। থোইদোক্না থিএটরগী অমদি অতৈ ওজাশিংনা হান্না তম্বীদুনা লীলা য়াওরকপা নত্তে হায়জবগী ৱানি। য়াওরম্লবসু মদু মশীং য়াম্না লিকখি। লীলাগী ওইনা মতমদুদা তম্বীবসু থিএটরদগী লাকপা ওজাশিংনা খরা খরা তম্বীবগী থবকসু তৌনৈ। অদুনা ঐনা অহানবা শুমাং লীলা য়াওবা হৌরকপদসু লৈখিদ্রবা রুপমহলগী ওজা ওইনাম বিরমঙ্গোল, ওজা আর কে জিলাসনা, এম দি য়ুগী ওজা মাইবম রামচরোননচিংবা ওজ াশিংনা লীলা লীলাগী ওইনা খজিক খজিক তম্বীরকখি। ঐবু তম্বীবা ওজাশিংদুদা ঐনা য়াম্না তোয়না তোয়না অদুম হংখি। ঐনা তৌগদৌরিবা এক্টিংদুগী মরমনচিংবা কয়া। ওজা খরনদি, মানা হায়দুদা অদুম তৌ হায়বসু য়াওই। অদুগা মরমসু তাকপীবসু অদুম য়াওই। ঐদি মখা তানা অদুম হংথৈ। মদুদা ওজাশিংনা ঐবু মরৈ য়াম্না তৌবা মী অমগুম্না খনখিবসু য়াওদবা নত্তে। তশেংবগীদি মরৈদি নত্তে। ৱাহং হংদনা লোইনা খঙবা য়াবা নত্তে, অদুনা ৱাহং হংবসি ঐগীদি হৈনবীনি।

কোন্নথংদা, অথেংবদা লৈখিদ্রবা ওজা বিরজিৎ ঙাঙোম্বদসু লীলা দিরেক্সন তৌহন্দুনা ওজ াদগী তম্বা য়াবা তমজখি। ওজাসিমদি ময়াম্না খঙবীদবগী ৱানি, য়াম্না শাথীবা ওজানি। য়াম্না চৈ, ফূই, তম্বী। তোপ তোপ্পা মখলগী ওজা অমনি। মঙোন্দা কথোকপা হায়বা মতিক ময়াই অদু য়াম্না নীংথিনা চেল্লি। ওজা অসিদসু ঐ অসুক্কী মতিক ৱাহং হংই। অহানবদা ওজানা ঐবু য়াম্না থাগৎলি। কোন্নথংদা হংমনবদগী মরৈ ওইনা তারক্তুনা ঐবু শাওখিবা মীকুপ কয়া অমসু লৈখিদবা নত্তে। ওজ ানা ঐবু শাওরে হায়দুনা ঐ হন্দোক্তে, হেন্নদুম নকশিল্লগা ঐনা খঙনীংবা মখৈ খঙজহৌনবা কন্না হোৎনজরকখিবা অমা ওইজরকখি।

লীলাগী স্ক্রিপ্টকী মতাংদসু অদু মঙাই। ইবিরক্লিবা স্ক্রিপ্ট নৈনবা, মুন্না পাবা অমদি ইশাগী ওইবা লীলাদুগী ওইবা ৱাখল খনবা, মদুগী প্লোট, করেক্টর, সিচুএসন কয়া অদুদা ৱাহং য়াম্না তোয়না হংই। য়াবা য়াদবা, প্লোট্টিং ফজবা ফজদবা, দাইলোগ ফজবা ফজদবা য়াম্না নৈনখি। ওজা খরদি ঐবু ৱারৌখিবসু য়াম্না য়াওখিদবা নত্তে। ওজা খরা অমদি ঐবু থাগৎপীখি। ঐগী মরৈ অমদি ৱাহং অদুনা লীলাদুগী অহেনবা মরাশি অমা হাপ্পদা অচৌবা মতেং ওইখিবা কয়া অমসু য়াওখিদবা নত্তে।

অমরোমদা লীলাগী মমিং থোনবসিসু ঐদি য়াম্না চেকশিন্না থোন্নীংই। অমা হেক্তা তরাই তরাই থোনজিনবসি ঐনা কয়া পামখিদে। কুম অমা লীলা অমা শান্নখি। লীলাদু ময়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনখিবা লীলানি। মমিংসু য়াম্না চৎখিবনি। তৌবগীদি, লীলাদু অহানবদা থিএটর ওইনা শান্নখ্রবনি। অইবা ওজা অদু হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনি। ৱারী অসি থমজবদা ওজাবুসু ইকোক নোন্না খুরুমজরি অমদি ইমুং মনুংনসু ঐবু ৱারৌবীদনবা হায়জরি। লীলাদুগী ওরিজিনেল মমিং "নমাঙসু লান নতুংসু তেন' হায়না থোল্লকখি। দ্রামা ওইনা শান্নখ্রবনি। শুমাং লীলা ওইনা লাকপদা খরা শেমদোক শেমজিন অমদি শুমাং লীলাগী চুশিন্ননবা ৱাহৈ ৱাতাদগী করিদগী ককথোক ককশিন্নচিংবা খরদি তৌদবা য়াদে। ওরিজিনেল স্ক্রিপ্ট অদু মপোব কায়দনা হেক থাংজিল্লুবদা, শুমাং লীলাগা থিএটরগা খরা খেন্নবনিনা য়াদবা মতাংসু য়াওই। লীলা অদুগী মমিংদু ঐনা মুন্না খল্লগা ওন্থোকখি। অইবা ওজানবুদি লীলাদুগী মমিংদুসু ওন্থোকনীংখিদে। অদুবু ঐনা ওজাদগী অয়াবা নিজরগা **"কংখ্রবা ঈচেলগী তোর্ব্বান"** হায়না মমিং ওনখি। তৌবগীদি ঐনা লীলাদুগী ঈশৈশিং ইজখিবনি। ঐনা ইবা ঈশৈদুদা টাইটল সোংগী টাইপতা মমিং অসিনা হৌবা ঈশৈ অমা বেকগ্রাউন্দদগী শকপা অমা হাপখি। ঈশৈদুসু লৈখিদ্রবা তামো খুন জয়কুমারনা সুর পানবীবনি, য়াম্না ফজখি। অদুনা লীলাদুগী মমিংদুসু মসি ওইনা থোনবনা ফরনি, মীয়াম্নসু হেন্না পাম্নগনি হায়না খনবদগী ওন্থোকখিবনি। লীলাদুদা ঈশৈ খরা য়াওখি। লোয়ননা মীয়াম্না পাম্নখি। অমা অনীদং নীংশিংজরক্কে - ১) ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি, ওমচাক্লনা থম্মোয়নুংদা, পুন্সি মৈশা লাংখিনি; ২) মৈরিলক্তা লংশিল্লম্লবা, তাঙ্গোই তার ঐগী পুন্সিসে, করম্না খাঙউ হায়বগে, অমুক্তংদি হায়রমখোনে; ৩) মসিগীদমকলা নুংশিরুবা, মসিগীদমকলা খঞ্জরুবা, মীৎকী পিনা মরোল নাইরক্লে, লৈকংলা ওইরবা পুন্সি অসিদা অসিনচিংবনি। অকোনবগী ঈশৈ অসিমদি খুন জয়কুমারনা য়াম্না পামজখি। ঈশৈ অসি মহাক ওইনা শক্লগে, অতোপ্পা অমা লীলাগী ইরো হায়না ঐঙোন্দা কন্না হায়খি। অদুবু ঐনা য়াখিদে। ঈশৈ কোন্নথংদা রেকোর্দ নমদুনা কেসেট ওইনা পুথোকখি। মদুদদি মহাক মশাগী ভোইস শক্তুনা রেকোর্দ লৌহৌখি। মসিদা নত্তনা রোমান্সকী সিন শাগৎপদা মতেং ওইনবা হায়দুনা দাইলোগ খরা অমসু হাপচিনখিবনি। অসুম্না লীলা অয়াম্বদা শেমদোকপা শেমজিনবা হোংদোকপা হোংজিনবা কয়া তৌনবদা অইবা রাইটরশিংগা হেক হেক দিবেট তৌনৈ। মদুনা অফবসু পুরকপা কয়া য়াওখি। অফবা পুরক্তবসু অদুম য়াওখি। ইশম শম্না ঐসে মরৈজাও ওইনা অদুম তৌরকই।

লীলা শান্নরগা শেল লৌরমদাইদসু করিগুম্বা মতমদা মরৈ মচা মচা তৌনরম্বদগী মরৈ চাওখৎনরক্তুনা ৱারৌ পুরৌনবা কোঙ্গাই অমা য়াওখিদবা নত্তে। অদুবু ঐনা শেংদোকচনীংবদি মদু খুদিংমকশিং অদু ঐ ইশাগী লন্নাইগী ওইবা ৱাফম নত্তে। পার্টিগীনি, পার্টিগী থৌদাং লৌরুবনা ঐগা তাহৌবগী ৱানি। কুম অমদি মফম পঞ্জররোই। লীলাগী শেল হান্না পীদনা লীলা হৌরমদে। মসিগী মরম য়াম্না লৈখি। লীলা লোইরগা শেল পীরমদাইদা পীবীনবা মী লৈতবা, লীলা কৌরম্বা মী মাঙখিবগী থৌদোক কয়া তোইনা থোল্লকপদগী লীলা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা শেল লৌবা অসি হৌদোকচখিবনি। মতমদুদা লৈখিদ্রবা ঐগ্যা জুগেশ্বর ময়াম্না চৈতে শাবা হায়না খঙনবনা ঐবু য়াম্না শাওখিবনি। লীলাবু হান্না শেল লৌবা অহল লমননা চৎনরক্তবা থবক কয়া নখোয় নহারোলশিংনা তৌরিবা করিগীনো হায়না য়াম্না চৈরমখিবনি। অদুসু তৌদা য়াদদুনা তৌজখিবনি। লীলাদু মতমদি সুম থেংজিল্লকপা, মীৎয়েংলোইশিংনসু লীলা হৌরো হায়না লাওনরকপা, ঐখোয়নসু লীলাদু হৌনীংবনা লোইরবা, অদুবু লীলাগী শেলদি শুংপু পুশিল্লক্তবদগী লীলা হৌখিদে। মতমদুদা মকোইগা শাংনা খাকপা, কম্বোর ইনবা ৱাঙ চাওবা নুপা অমা চঙশিল্লক্লগা, ঐগী মাঙদা শেল খরা থম্মে অদুগা 'সি হান্না লৌরো অদুগা লীলা হৌরো' হায়। মদুদা 'শুনবা পীবিরো লীলা হৌজরগে তাবা য়াবসু অদুম তাজরমগে' হায়রুবদা নুপাদুনা খুগ্রী লংত্রিক লংবা অমা পুথোক্লগা শেলদুগী মনাক্তা লৈবাক্তা চক লাওনা য়ুংলগা মুক্তুনা হায়খি "লৌগে হায়বরা লৌরোই হায়বরা, লীলাদি হৌদবা য়ারোই" হায়না কিহনখিবদু ঐ কাউদ্রি। মতমদুদা "ফরে লীলা হৌজরগে" হায়রগা লীলাদুদি হৌরে। অদুবু তপ্না নুপাদু ঐনা থেমদুনা ৱারী ফজনা ঈংনা শান্নরগা, কোন্নথংদা মহাক ঐগী মীচংদা চঙলক্তুনা লীলা কৌরিবশিংদু কৌশিল্লগা শেল সুনা পীহনখি। মীদু ঐগী মীচং অদুম ওইনা ওন্থোকখি। মদু ওন্থোক্না মায় পাকপা ঐগী চাংয়েং অমা ওইখি। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ২৫

## থম্মোয়সে পুবা ঙমদেদো - ১

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

করিসু থোক্লদবা, সমুদ্র ঈশিং ঈপাক লান্না, চীংলোন কয়া অমদি লৈবাক কয়া লান্না লাপ্পা টাইৱান লমদমসিদা লৈখ্রবা ইমুং মনুং অমা ওইবগী মখোয়গা করিসু মরী লৈনদবা ঐহাক্কী থম্মোয় পুবা, খাঙবা ঙমদনা চেন্থরকখিবনি ঐহাক্কী মীৎলুগী পিরাং খান্বা ঙমদনা উরুবা, তারুবা মীকুপ্তুদা। হায়রিবা ইচাশিং অসি ঐহাক্না করিসু মরী লৈনদেকো অদুম ওইনমক মপা অমা ওইবগী, মীতৈ অমা ওইবগী, মীওইবা অমা ওইবগী ৱাখল্লোন অমদি মীনুংশি হায়বা থম্মোয় অদুনা ওইরমাল্লে ঐহাক্কী মীৎলুদগী পিরাং শিন্থরকখি খঙহৌদনা। খোঞ্জেল থোক্লা, ইদোম কপচখি হিক হিক লাওনা কনা খঙদনা অঙনবা টাইৱানগী অয়ূক্তুদা।

পাউদমজরিবা ৱারী অসি অতৈ কনাগী মতাংদা নত্তে। হন্দক্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা য়ূম্নাম পাৎলৌ মমাঙ লৈকায়দগী হন্দক্কী মেগী তাং ৩দগী থোরকখিবা ইরমদম থুগাইনবা হোৎনরকপদা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরবু ঙাকথোকচনবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা লান থেংনবদা লানফমদা থৱায় থাখ্রবা, লৈখিদবা নান্দেবম রাজেন এলিয়জ নাওবগী মরমদা তম্বা পাউদমনি। শীংজমৈ ৩৬০ না লৌখিবা ইন্টরভিয়ু ভিদিও প্রোগ্রাম অমদা অথৌবা রোজেন/নাওবগী লোয়নবী নান্দেবম ওংবী মনিলৈমা, মখোয়গী ক্লাস ফাইভ তম্লিবা মচানুপী অহল (চহী ৯/১০), অনীশুবা মচানুপী (চহী ৮), নর্সরি তম্লিবা অহুমশুবা মচানুপী (চহী ৩/৪) অমদি রাজেনগী অপোকপীগা উন্নদুনা মখোয়গী থম্মোয়দা পাল্লিবা চৈনাখোল কয়া অদু মীয়াম্নসু খঙজনবা হায়দুনা পাউদমখি। উন্নদুনা ৱাহং পাউখুম তৌবগী ভিদিও অদুদা জুনগী তাং ২৮দা লৈতানপোকপীদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা কাপ্নবদা থবাক্তা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা মহাক্কী মপুরোইবা লৈখিদবনি হায়না মহাক্কী লোয়নবী নান্দেবম ওংবী মনিলৈমনা খোঞ্জেল তপ্না, থম্মোয় শোক্লা পাউদম্মী। নোংমৈ কন্না কাপ্নরিঙৈসিদা করিগী তূমদুনা লৈগদৌরিবনো হায়দুনা মহাক্কী লোয়নবী মনিলৈমবু থেংলে হৌগৎলো পুং ৫ হেল্লে হায়না হৌদোক্লম্লগা মহাক মরমদম ঙাকথোক্লবা লান য়াওবা চৎলে হায়রম্লগা চৎখি হায়না লোয়নবী মনিলৈমনা মখা তারকখি। পীক্লিবা মচানুপী অহুম অসিসু মহাক্লা অফং অফংবা (হজিরা) শুদুনা মহৈ তমহনবীরম্বনি। মচানুপী অহল অসিদি ঈশৈ শকপা য়াম্না পামজৈ হায়দুনা ঈশৈ শকহনগনি হায়রম্মী অদুগা অনীশুবা মচানুপীবুনা ডাক্তর ওইহনগনি হায়দুনা মঙলান কয়া শাগৎচরম্মী হায়না মহাক্কী লোয়নবীনা পাউদমজৈ। ৱাহৈ খরা অদুনা অরোইবা ওইখি মপুরোয়বা নাওবা অমদি লোয়নবী মনিলৈমা অনীগী মরক্তা।

অদুবু মঙজরম্বা মঙলান খুদিংমক ঙসিদি নাওবা লৈখিদ্রবনা পূম্নমক সমুদ্র খোঙবানগী লৈঙোইথক্তা শাগৎচখিবা ফুরা দলাননা নোংলৈ নুংশিৎকী অমদি সমুদ্রগী অকনবা ঈশিং ইপোমদা কায়খিবগুম মতৌ করম্না পীক্লিবা মচানুপী অহুমসিবু মী অমমম ওইনবা হোৎনগদৌরিবা হায়না য়াম্না থম্মোয় শোক্লা কপ্তুনা পাউদমজখি। মীৎকুপ্তুদা ঐহাক্কী থম্মোয়দসু মচা মরিগী মপা অমা ওইনা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওজখি অমদি মীৎলুদগী পিরাং শিন্থখিবা খঙহৌদে। অদুবু মসিদগী থম্মোয় হেন্না শোক্লিবদি মহাক্কী চহী ৮ শুবতা ঙাইরিবা মচানুপী য়াইমদা ববা কদাইদা চৎখ্রিনো হায়না হংলুবদা নৌখ্রবা, চমজখ্রবা, অমোৎপা মচেৎ অমত্তা য়াওদ্রবা, শাজিনবা অমত্তা য়াওদ্রবা মহাক্কী থম্মোয়দগী হায়রকখিবা পপানা ঐহাকপু য়াম্না লুনা তৌবী, পপাবু য়াম্না নীংশিংলকই হায়বনচিংবা ৱাফম খরা ময়েক শেংনা হায়জবা ফাওবা ঙমদনা খোঞ্জেল থোক্লা হিক হিক লাউনা কপথোরকপদা ঐহাক্কী থম্মোয়সে পুবা ঙমখিদে। হান্নদগী মীৎলু পিরাংতনা কুপশিনখ্রবা ঐহাক্কী মীৎ অনীদগী পিরাং শিন্থরকখি মরী মরী লেপ্পা লৈতনা। কপখি খোঞ্জেল থোক্লা থম্মোয়সে খান্বা ঙমদনা।

করিগুম্বা মতমদা মপা অমা ওইবগী ঐহাক্কী ইচা মরিসিদা মখোয়না মমা মপা ওইরিববু কয়া য়াম্না নুংশি নুংশিদে খঙনবা হায়দুনা শুম ফাগি তৌদুনা পুন্সিসে মতম চূপ্পগী ওইনা হিংগদবা পুন্সি নত্তে অদুনা নোংমদি ঐখোয়সু নখোয়বু থাদোক্তুনা চৎখিগদবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ঐখোয়না হিংলিঙৈসিদা ঐখোয়না তাকপী তম্বীবা কয়া তাশিল্লু, খঙজিল্লু। ঐখোয় নখোয়গা পুন্সি চূপ্পা লৈগদবা নত্তে হায়না মরক মরক্তা হেক পনবদা ইচা অতোনবী বেম বেম অমদি বুং বুংসু কপ্লিবনি ঐহাক্না শিবা হায়বা ৱাফমসি পনবদা। নীংশিংহল্লি পূম্নমক্তো অথৌবা রোজেনগী মচানুপী য়াইমা অমদি মচানুপী অহল অনীনা খোঞ্জেল থোক্লা কপ্পা উবসিদা।

অথৌবা ইনাও রোজেননা লৈখিদবদা ওইরিবা মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানুপীশিং অসিগী অৱাবদা করিসু মরী লৈনদবা ঐহাক্কী ইফমদা ফাওবা অসুক নুংঙাইতবা থোক্লবদি চহী কয়া পুন্সি লেনমিন্নরকখিবা মহাক্কী লোয়নবীগী মফমদদি করম্না ফাওরমগনি হায়বসি লাম্বদা ৱানা থোকই। অদুগা চহী কয়া মচাশিংবু মী অমমম ওইনবনি হায়দুনা য়োকচরকখিবা চরা নাম্মা চাগুম চাদগুম অৱাবা কয়া খাংজদুনা রোজেনবু য়োকরকখিবা অপোকপী অমদি অপোকপা অনীগী ফীভমদি করি ওইরমগনি। মচা অতোনবা হায়বসিতবু মমা মপা ওইবশিংনা হেন্না নুংশিজবা ফাওনরিবনি। ইনাও রোজেনসু মচিন মৌপ্পা মখোয় তরুক্কী মনুংদা মহাক্লা খ্বাইদগী অতোনবনি। মহাক্কী অপোকপী অমদি অপোকপনা কয়াদা নীংশিংলমগনি অমুক হন্না উবা ফংলরোইদবা অথৌবা মচানুপা অতোনবসে।

মতৌ অসুম্না অথৌবা ইনাও নান্দেবম রোজেন/নাওবগুম্বা অথৌবা কয়া চৎখ্রে ঐখোয় খুদিংমক থাদোক্তুনা কংলৈ ইমাবু কন্নবা হোৎনবদা। খরখক্তগী ৱারীনি ঐখোয়না উবা ফংলিবদি। লৈরমখিগনি ইমুং, লোয়নবী কয়া কয়া, মচা ওইবী-ওইবা কয়া কয়া, অপোকপা অপোকপী কয়া কয়া। নিল্লমখিগনি ইরমদম কংলৈপাক্কী কাচিন কোয়া মফম শিনবা থুংনা অথৌবশিং অসিবু কায়নখিবগী অৱা অনাগী, নীংবা কায়বগী, থম্মোয় শোকপগী, তেংথাখোলনা। ঐখোয়না খঙবা, উবা অমদি তাবদি খরা খক্তনিকো। ●

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১) **"ভগবান শ্রীরাম"** (২০০৮) হায়বা কাব্য অসি কনানা ইবনো?

২) **"মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"অশিববু কোন্দুনা সমাধি মখাদা/লৈররে ইতোমতা তূমদুনা; করিগী অমুক হন্না লাক্লিবা/থম্মোয়গী মৈচাকপু চাকহনগে হায়না/"** ঈশৈ মতেক অসি অসামগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ঈশৈশিংদগী খোমজিন্দুনা মণিপুরীদা হন্দোরকপদগী লৌথোরকপা ময়েকনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?

৪) **"কংফালগী অরোইবা লমদমদে"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **"মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা

ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।